# প্রতাপ মেমোরিএল ফুটবোল টুর্নামেন্টঃ থৌবাল কোলেজ, মোইরাং কোলেজ, ময়ায় লম্বী কোলেজ মায় পাকখ্রে



**ইম্ফাল, নবেম্বর ০৭ (ঐচ এন এস):** মণিপুর য়ুনিভর্সিটি স্পোর্টস কম্মিটি, কাঞ্চিপুরগী মীৎয়েং মখাদা পোল ষ্টার কোলেজ ৱাবগাই হিয়াংলমনা শীন্দুনা দি এস এ ককচিংগী প্লেগ্রাউন্দদা হৌজিক চথরিবা অয়েকপম প্রতাপ সিংহ মেমোরিএল মণিপুর য়ুনিভর্সিটি ইন্টর কোলেজ ফুটবোল (মেন) টুর্নামেন্টকী ঙসি শান্নখিবা তোঙান তোঙানবা মেটচশিংদা থৌবাল কোলেজ, মোইরাং কোলেজ অমসুং ময়ায় লম্বী কোলেজ মায় পাকখ্রে।

টুর্নামেন্ট অসিগী ১১শুবা মেটচ ওইনা ঙসি অয়ুক পুং ১১.৩৫ তাবদগী হৌরগা কৈরক প্লে গ্রাউন্দদা ষ্টেন্দর্দ কোলেজ কোংবা অমসুং থৌবাল কোলেজ অনীগী মরক্তা মেটচ শান্নবা হৌখি। টিম অনীগী মরক্তা শান্নখিবা মেটচ অদুগী ওইনা নাকল অনীমক্কী শান্নরোয়শিংনা বোল পায়বগী চাং মান্ননা শান্নবা ঙমখিবনা মরম ওইরগা অমনা অমগী মায়কৈদা পাঞ্জল চন্নবা হোৎনখিবশিং মায় পাকপা ঙম্নখিদে। নাকল অনীমক্কী শান্নরোয়শিংনা হৈ-শিংবা মান্ননা শান্নবা ঙমখিবনা মরম ওইরগা অহানবা হাফ লোইবা ফাওবদা টিম অনীমক্কা পাঞ্জল অমত্তা চন্নবা ঙমদনা লৈখি।

অনীশুবা হাফ শান্নখিবা অদুগী ওইনসু মখা তানা টিম অনীমক্কা হৈ-শিংবা মান্ননা শান্নবা ঙমখিবনা মরম ওইরগা অমনা অমবু লাকচনা কন্ট্রোল তৌদুনা শান্ননবা হোৎনখিবশিং মায় পাকপা ঙম্নখিদে। অদুমওইনমক মেটচকী অপীবা অরোইবা মতম ফাওবদা থৌবাল কোলেজনা ষ্টেটদর্দ কোলেজবু পাঞ্জল ১-০দা মায়থিবা পীখি। থৌবাল কোলেজগী অমত্তা ঙাইরবা মায় পাকপগী পাঞ্জল অদু এন মালেমঙানবনা মেটচ অদুগী ৫২শুবা মিনটতা চনখিবনি।

টুর্নামেন্ট অসিগী ১২শুবা মেটচ ওইনা মোইরাং কোলেজ অমসুং য়ুনাকো কোলেজগী মরক্তা লম্বা তৌনখি। টিম অনীগী মরক্তা শান্নখিবা মেটচ অদুগী ওইনা মোইরাং কোলেজগী শান্নরোয়শিংনা বোল খরা হেন্না পায়দুনা শান্নবা ঙমখি। মদুনা মরম ওইরগা অহানবা হাফ লোইবা ফাওবদা মোইরাং কোলেজনা পাঞ্জল ৩-০দা মাংজিল থারগা লৈবা ঙমখি।

অনীশুবা হাফ শান্নখিবা অদুদা য়ুনাকো কোলেজগী মায়কৈদগী মখোয়গী মায়োক্তা চনশিনখিবা পাঞ্জলশিং অদু হন্দোক্লবা কন্না হোৎনখি। অদুবু মেটচকী অপীবা মরোইবা মতম ফাওবদা মোইরাং কোলেজনা পাঞ্জল ৪-১দা য়ুনাকো কোলেজপু মায়থিবা পীরমখিবনি।

ঙসি অরোইবা মেটচ ওইনা ময়ায় লম্বী কোলেজ অমসুং সরস্বতি ইন্সটিট্যুট ওফ মেনেজ মেন্টকী মরক্তা লম্বা তৌনখি। টিম অনীগী মরক্তা শান্নখিবা মেটচ অদুগী ওইনা হৌগৎলকপদগী ময়ায় লম্বী কোলেজকী শান্নরোয়শিংনা বোল হেন্না পায়দুনা শান্নবা ঙমখিবগা লোয়ননা মেটচ অদু পাঞ্জল ৪-০দা মায় পাকখিবনি।

# ৱর্ল্ড কপ ৱিন্নর ওইখ্রবা ইন্দিয়া টিমগী এদমিনিষ্ট্রেটিব মেনেজর রোনেল তরাম্না ওকখ্রে



**ইম্ফাল, নবেম্বর ০৭ (ঐচ এন এস):** হন্দক্তা ইন্দিয়ানা য়ুম্বু ওইদুনা পাঙথোকখিবা আই সী সী ৱিমেন্স ক্রিকেট ৱর্ল্ড কপতা চেম্পিয়ন ওইদুনা লৈবাক অসিগী ক্রিকেটকী পুৱারীদা অনৌবা তাংকক অমা শেম্বা ঙমখ্রবা ইন্দিয়ন ৱিমেন্স ক্রিকেট টিমগী এদমিনিষ্ট্রেটিব মেনেজর (টিম মেনেজর) ওইনা শরুক য়াখিবা মণিপুর ক্রিকেট এসোসিএসন (এম এন সী এ)গী জেনরেল সেক্রেটরি লৈশাংথেম রোনেলবু ঙসি মীয়াম্না তরাম্না ওক্তুনা পুক্লিং থৌগৎখ্রে।

হিরম অসিগা মরী লৈননা এম এন সী এনা থাদোরকপা চেরোল অমনা হায়, মালেমগী থাক্তা পাঙথোকপা টুর্নামেন্ট অদুদা ইন্দিয়াগী নুপী ক্রিকেট টিমনা চাওনা মায় পাক্তুনা লৈবাক অসিগী মীংচৎ পুরকপা ঙমখিবা অসি ঐখোয় খুদিংমক্কী চাওথোকচনিঙাইনি। মসিগী মথক্তা রোনেলনা মেনেজর অমা ওইনা ইন্দিয়াগী টিমনা মায় পাক্লবা হোৎনবদা লেখিবা থৌদাং অদু অমুক্কা হেন্না থাগৎনিঙাই ওই। রোনেলনা কথোকপগা লোয়ননা থম্মোয় শেংনা ইন্দিয়া টিমগীদমক হোৎনখিবা অদুনা মরম ওইরগা মালেমগী থাক্তা ইন্দিয়াগী নুপী ক্রিকেট টিমনা মায় পাকপা ঙমখিবনি।

রোনেলনা হন্দক টিম মেনেজর ওইনা অচৌবা থৌদাং লৌদুনা লৈবাক অসিগী মীংচৎ পুরকপা ঙমখিবগা অসিগী মথক্তা মহাক্না মশান্না অসিগীদমক্তা হোৎনজরিবা কয়া অদুবুসু ময়েক শেংনা মীয়াম মমাংদা খঙহনখিবগা লোয়ননা লমদম অসিগী ওইনা লৈরিবা ক্রিকেটপু পামজবা মীওইশিং অমদি মণিপুর ক্রিকেট এসোসিএশনবু লৈবাক অসিদা মশক তাকপদা অচৌবা মতেং অমা ওইরে। মসিমক ঐখোয় খুদিংমক্কী ওইনদি চাওনা মায় পাকপা অমনি হায়রি।

চেরোল অসিনা হায়, ঙসি লৈশাংথেম রোনেলনা ইম্ফালগী ইন্টরনেশনল এয়রপোর্টতা থুংলখিবদা এম এন সী এগী থৌমীশিং অমদি মীয়াম্না তরাম্না ওক্তুনা পুক্লিং থৌগৎখি।

থৌরমদুগা মরী লৈননা এম এন সী এগী প্রসিদেন্ট জিকো মীতৈনা ফোঙদোকখিবদা রোনেলনা আই সী সী ৱিমেন্স ক্রিকেট ৱর্ল্ড কপতা লৌখিবা থৌদাং অদুনা মহাক্কী হৈ শিংবা অমদি হোৎনজমল অদু ময়েক শেংনা উহল্লে। মসিগীদমক ঐখোয় খুদিংমক্না চাওথোকপা ফাওই। মহাক মণিপুর ইমাগী চাওথোকচনিঙাই ওইরবা মচা অমা হায়বদু ওইরে হায়রি।

# ইন্দিয়ন হোক্কীগী চহী ১০০ মপুঙ ফারকপগী থৌরম মণিপুর হোক্কীনসু পাঙথোকখ্রে



**ইম্ফাল, নবেম্বর ০৭ (ঐচ এন এস):** হোক্কী ইন্দিয়ানা চহী ১০০ মপুঙ ফারকপগী থৌরম লৈবাক অসিগী তোঙান তোঙানবা মফমশিংদা পাঙথোকপগুম লমদম অসিদসু মণিপুর হোক্কীনা শিন্দুনা পাঙথোকখ্রে হায়রি।

হিরম অসিগা মরী লৈননা মণিপুর হোক্কীনা প্রেসতা থাদোরকপা চেরোল অমনা হায়, হৌখিবা কুম্জা ১৯২৫দা ইহান হানবা ওইনা হোক্কী ইন্দিয়া অসি লিংখৎখিবনি। হৌখিবা চহী ১০০ রোম অসিদা ইন্দিয়াগী হোক্কী টিমনা মায় পাকপগী লম্বীদা মায় পাক্না চঙশিনবা ঙম্লি। ওলিম্পিক্সকী থাক য়ৌনা ইন্দিয়ন হোক্কীনা মালেমগী মীয়ামদা লৈবাক অসিবু মশক তাকপা ঙম্লি। লৈবাক অসিদা হোক্কী মশান্নগী খোঙচৎ চহী ১০০ মপুঙ ফারকখিবা অদুগা মরী লৈননা ঙসি হোক্কী ইনি দয়ানা শিন্দুনা লৈবাক শিনবা থুংনা অয়ুক পুং ৮ দগী নুমিৎয়ুংবা পুং ১২ তাবা ফাওবদা হোক্কী মেটচ ১০০০ শান্নখি।

হায়রিবা অসিগী শরুক অমা ওইনা মণিপুর হোক্কীনা শিন্দুনা নুপা অমসুং নুপী অনীমক্কী ওইবা হোক্কী মেটচ অমমম্ শান্নখ্রে। হায়রিবা মেটচশিং অদু ইম্ফাল ইষ্টতা লৈবা সাউথ ইষ্ট য়ুথ ওর্গনাইজেসন এষ্ট্রো টর্ফ গ্রাউন্দ, বিষ্ণুপুর দিষ্ট্রিক্টতা লৈবা এস এল ও গ্রাউন্দ অমদি ইম্ফাল ৱেষ্টকী টি দব্লিয়ু সী গ্রাউন্দদা শান্নখিবনি। মেটচশিং অসি লমদম অসিদা হোক্কী মশান্নবু হান্নদগী হেন্না মাঙজিল থানা পুখৎনবা অমদি স্পোর্টসমেনসিপকী অশেংবা থৌনা অদুদা য়ুন্স্ফম ওইরগা পাঙথোকপনি অমদি মণিপুর হোক্কীগী ওইনসু মখা তানা কন্না হোৎনদুনা হেন্না মায় পাকপা ঙম্নবা হোৎনগনি হায়রি।

# এন এস য়ুনা নেশনল সোংনা চহী ১৫০ মপুঙ ফারকপগী থৌরম পাঙথোকখ্রে




**ইম্ফাল, নবেম্বর ০৭ (ঐচ এন এস):** লৈবাক অসিগী নেশনল সোং ওইরিবা ভন্দে মাতরমনা চহী ১৫০ মপুঙ ফারকপগী থৌরম লৈবাক অসিগী তোঙান তোঙানবা মফমশিংদা পাঙথোক্লবগুম নেশনল স্পোর্টস য়ুনিভর্সিটি (এন এস য়ু) মণিপুরনা শিন্দুনসু ঙসি য়ুনিভর্সিটি অসিগী কেম্পসতা ভন্দে মাতরম ঈশৈ শক্তুনা পাঙথোকখ্রে।

ঙসিগী থৌরম অদুদা য়ুনিভির্সিটি অসিগী মহৈরোয়শিং, ওজাশিং, নন-টিচিং ষ্টাফশিং অমদি ওফিসল কয়া শরুক য়াখিবগা লোয়ননা অমত্তা ওইবগী শক্তম অদু উৎখি।

এন এস য়ুগী রেজিষ্ট্রার ডা. এল দেবমনিনা ঙসিগী থৌরম অদুগী মরুওইবা মীওই ওইনা শরুক য়াখিবগা লোয়ননা ভন্দে মাতরম ঈশৈনা পীরিবা লৈবাক নীংবগী ৱাখল্লোন, অমত্তা ওইবগী ৱাখলগী মতাংদা শন্দোক্না তাকখি।

# নুপাগীদা থম্বাল মরিক কোলেজ অদুগা নুপীগীদনা য়ুনাইটেদ কোলেজ মায় পাকখ্রে




**থৌবাল, নবেম্বর ০৭ (ঐচ এন এস):** মণিপুর য়ুনিভর্সিটি স্পোর্টস কম্মিটি, কাঞ্চিপুরগী মীৎয়েং মখাদা থৌবাল কোলেজ, থৌবালনা শিন্দুনা কোলেজ অসিগী ইন্দোর হোলদা কোলেজ ৮দগী লাকপা টিম ১১না শরুক য়াদুনা নুমিৎ নীনী চুপ্না চথরকখিবা ওইনাম ইবেতোম্বী দেবি মেমোরিএল মণিপুর য়ুনিভর্সিটি ইন্টর কোলেজ ভোল্লিবোল (মেন এন্দ ৱিমেন) টুর্নামেন্ট ২০২৫-২৬ ঙসি লোইশিনখিবগা লোয়ননা নুপাগীদা থম্বাল মরিক কোলেজ অদুগা নুপীগীদনা য়ুনাইটেদ কোলেজনা ৱিন্নর ওইখ্রে।

ঙসি অয়ুক শান্নখিবা নুপাগী অহানবা সেমি ফাইনেল মেটচতা থম্বাল মরিক কোলেজনা ময়ায় লম্বী কোলেজপু ষ্ট্রেট সেট ৩-০ (২৫-১৬, ২৫-১৮, ২৫-১৫)দা মায়থিবা পীরল্লগা ফাইনেল চঙখি। অদুগা অনীশুবা সেমি ফাইনেল মেটচতনা লিবরেল কোলেজনা থৌবাল কোলেজপু সেট ৩-২ (২১-২৫, ২৫-২২, ২৫-১৯, ১২-২৫, ১৭-১৫)দা থোইরগা ফাইনেল চঙলকখিবনি। অদুগা থম্বাল মরিক কোলেজ অমসুং লিবরেল কোলেজগী মরক্তা শান্নখিবা ফাইনেল মেটচ অদুগী ওইনা তম্বাল মরিক কোলেজনা সেট ৩-০ (২৫-১২, ২৫-১৪, ২৫-২৩) দা থোইরগা ৱিন্নর ওইখিবনি।

অমরোমদা নুপীগী ওইনা য়ুনাইটেদ কোলেজ অমসুং লিবরেল কোলেজগী মরক্তা শান্নখিবা ফাইনেল মেটচ অদুগী ওইনা য়ুনাইটেদ কোলেজনা সেট ৩-১ (১৮-২৫, ২৫-১৫, ২৫-১৯, ২৫-১৯) দা থোইরগা ৱিন্নর ওইবা ঙমখিবনি।

# সী আর পি এফনা শিন্দুনা ইন্দিয়ন হোক্কীগী চহী ১০০ শুরকপগী থৌরম পাঙথোকখ্রে

**ইম্ফাল, নবেম্বর ০৭ (ঐচ এন এস):** গ্রুপ সেন্টর সী আর পি এফ ইম্ফালনা শিন্দুনা ঙসি ইন্দিয়ন হোক্কীনা চহী ১০০ মপুঙ ফারকপগী অমদি ভন্দে মাতরমনা চহী ১৫০ মপুঙ ফারকপগী থৌরম পাঙথোকখ্রে।

গ্রুপ সেন্টর সী আর পি এফ লাংজিংনা থাদোরকপা চেরোল অমনা হায়, ইন্দিয়ন হোক্কীনা চহী ১০০ মপুঙ ফারকপগী থৌরম লৈবাক অসিগী তোঙান তোঙানবা মফমশিংদা পাঙথোক্লগুম ঙসি গ্রুপ সেন্টর দী আর পি এফনা শিন্দুনসু নুপা অমসুং নুপীগী হোক্কী মেটচশিংগা লোয়ননা পাঙথোকখ্রে। হোক্কী মশান্না অসি লৈবাক অসিগী ওইনদি য়াম্না মরুওই অমদি মশান্না অসিনা লৈবাক অসিবু মালেমদা মশক তাক্তুনা লাক্লি।

মণিপুর এন্দ নাগালেন্দ সেক্টর সী আর পি এফকী আই জি পিনা হৌদোকখিবা ঙসিগী থৌরম অদুগা মরী লৈননা গ্রুপ সেন্টর ইম্ফাল, মণিপুর এন্দ নাগালেন্দ সেক্টর, এ/১৩৫ (এম) বট্টালিয়ন, এ/২৪০ (এম) বট্টালিয়ন, এফ/২১৩ (এম) বট্টালিয়ন, বি এন্দ এফ/২৩২ (এম) বট্টালিয়নগী টিমশিংনা ঙসিগী মিনট ৬০ শাংবা এক্সিবিসন মেটচ অদুদা শরুক য়াদুনা অপুনবগী ওইবা শক্তম উৎখি।

ঙসিগী থৌরম অদুগা মরী লৈননা লৈবাক অসিগী হোক্কী লিজেন্দরি মেজর ধ্যান চান্দনা হোকি মশান্নগীদমক লৌরমখিবা থৌদাং অমদি মহাক্কী হৈ শিংবা কয়া অদুবু নীংশিংখি। এক্সিবিসন মেটচ লোইরবা মতুং নেশনল সোং ভন্দে মাতরমনা চহী ১৫০ শুরকপগী থৌরম অমসু পাঙথোকখিবগা লোয়ননা ঈশৈ অদুবু মীয়াম মমাংদা শক্তুনা তাহনখি হায়রি।

# এন বি এ টিম-এগী বোক্সর লাইশ্রম সতিশ মায় পাক্তুনা সেমি ফাইনেল চঙখ্রে



**ইম্ফাল, নবেম্বর ০৭ (ঐচ এন এস):** ইম্ফাল ইষ্টকী কোংবা য়ুথ ওর্গনাইজেসন গ্রাউন্দদা ঙরাংদগী হৌদুনা চথরিবা অহানবা মাষ্টর বোইজ এন্দ গার্লস ওপন ইনভিটেস্নেল বোক্সিং চেম্পিয়ন্সিপ ২০২৫দা এন বি এ টিম-এগী বোক্সর লাইশ্রম সতিশ মায় পাক্তুনা সেমি ফাইনেল চঙবা ঙমখ্রে।

মণিপুর এম্যেচর বোক্সিং এসোসিএশন (মাবা)গী মীৎয়েং মখাদা কোংবা এম্যেচর বোক্সিং একাদেমিনা শিন্দুনা থা অসিগী ৯ ফাওবা পাঙথোক্কদবা বোক্সিং চেম্পিয়ন্সিপ অসিগী ঙসি নীনী চনবা নুমিত্তা তোঙান তোঙানবা অরুম্বা কাংলূপকী পুন্না ক্বার্টর ফাইনেল বাউট ৬১ পাঙথোকখি। ক্বার্টর ফাইনেল বাউটশিং অদুদা নুপামচা বোক্সর ৩১না মাগী মাগী লম্বা ওইরিবশিংবু মায়থিবা পীরল্লগা সেমি ফাইনেল চঙবা ঙমখিবনি।

চেম্পিয়ন্সিপ অসিদা মণিপুরগী তোঙান তঙোনবা য়ুনিট অমদি ক্লব ২১দগী নুপামচা অমদি নুপীমচা কাংলূপকী মাষ্টর কেটগরি অহুমদা অপুনবা বোক্সর ২৩৮না শরুক য়ারি। ঙসি পাঙথোকখিবা মাষ্টর বোইজকী ক্বার্টর ফাইনেল বাউটতা এস আর বি এগী য়ারয়া লুংহরৱোসি, চাংচাং হাসুৱোসি, ময়ারঙম শরোন, রিংফাসো লায়াম অমসুং ঐচ হেন্থোই মায় পাকখি।

# সুপর দিভিজন ফুটবোল লীগঃ ৱাই দব্লিয়ু সীনা ইম্ফাল ফুটবোল ক্লব মায়থিবা পীখ্রে



**ইম্ফাল, নবেম্বর ০৭ (ঐচ এন এস):** ইম্ফাল ৱেষ্ট দিষ্ট্রিক্ট ফুটবোল এসোসিএশন (আই দব্লিয়ু দি এফ এ)না শিন্দুনা হৌজিক চথরিবা ২৫রক শুবা সুপর দিভিজন ফুটবোল লীগ টুর্নামেন্ট ২০২৫গী ঙসি শান্নখিবা মেটচ অমদা য়ুথ ৱেলফ্যের ক্লব (ৱাই দব্লিয়ু সী) মায় পাকখ্রে।

মমাং থাগী ২৫দগী হৌরগা পাৎসোই পার্ট-২দা লৈবা পময়াল গ্রাউন্দদা তোঙান তোঙানবা টিম ৬না শরুক য়াদুনা চথরিবা ফুটবোল লীগ অসিগী ঙসি নুংথিল পুং ২ তাবদা ১৪শুবা লীগ মেটচ ওইনা য়ুথ ৱেলফ্যের ক্লব অমসুং ইম্ফাল ফুটবোল ক্লব অনীগী মরক্তা লম্বা তৌনখি। টিম অনীগী মরক্তা শান্নখিবা মেটচ অদুগী ওইনা ওইনা হৌগৎলকপদগী য়ুথ ৱেলফ্যের ক্লবগী শান্নরোয়শিংনা বোল খরা হেন্না পায়দুনা শান্নবা ঙমখি। বোল হেন্না পায়দুনা শান্নবা ঙম্বগী খুদোংচাবা লৌরগা মেটচ অদুগী হৌগৎলকপা ১২ শুবা মেটচতা য়ুথ ৱেলফ্যের ক্লবকী মিদফল্ডর দেবিদ য়েন্দ্রেম্বমনা অহানবা পাঞ্জল চনবা ঙমখিবগা লোয়ননা অহানবা হাফ লোইবা ফাওবদা পাঞ্জল ১-০ দা মাঙজিল থারগা লৈবা ঙমখি।


অনীশুবা হাফ শান্নখিবা অদুদা ইম্ফাল ফুটবোল ক্লবনা মখোয়গী মায়োক্তা চনশিনখিবা পাঞ্জল অদু হন্দোকপা ঙম্নবা য়াম্না কন্না হোৎনখি। অদুবু বোল পায়বগী চাং নেমখিবনা মরম ওইরগা পাঞ্জল চনবা য়াবগী খুদোংচাবশিং ফংবা ঙমখিদে। অমরোমদা বোল খরা হেন্না পায়দুনা শান্নবা ঙম্লিবা য়ুথ ৱেলফ্যের ক্লবগী মায়কৈদগী মেটচগী অপীবা অরোইবা মতম ফাওবদা মখা তানা পাঞ্জল অনী চনবা ঙমখি অদুবু ইম্ফাল ফুটবোল ক্লবকী ওইনা পাঞ্জল অমত্তা চনবা ঙমখিদবদগী মেটচ অদু য়ুথ ৱেলফ্যের ক্লবনা পাঞ্জল ৩-০দা মায় পাকখিবনি। য়ুথ ৱেলফ্যের ক্লবকী অনীশুবা হাফকী পাঞ্জলশিং অদু ৪৭ অমসুং ৭৯ শুবা মিনটতা মোতিলাল অমসুং সুর্ধিরনা অমমম্ চনখিবনি।

# মুএথাই ইন্সট্রক্টরশিংগী ওইবা ট্রেনিং প্রোগ্রাম পাঙথোক্লগনি

**ইম্ফাল, নবেম্বর ০৭ (ঐচ এন এস):** ৱর্ল্ড একাদেমি ওফ মুএথাইনা শকখঙলবা মণিপুরগী অমত্তা ঙাইরবা মণিপুর মুএথাই একাদেমিগী মুএথাই ইন্সট্রক্টর, রেফ্রি অমদি জজ শিংগী ওইবা ট্রেনিং প্রোগ্রাম অমা পাঙথোক্লগনি হায়রি।

হিরম অসিগা মরী লৈননা মণিপুর মুএথাই একাদেমি (এম এম এ)গী সেক্রেটরিনা প্রেসতা থাদোরকপা চেরোল অমনা হায়, হায়রিবা ট্রেনিং প্রোগ্রাম অসি চঙাঙ্গৈদা লৈবা একাদেমি অসিদা চহী অসিগী দিসেম্বর থাগী ৮ দগী হৌরগা ১৪ ফাওবা পাঙথোক্কদবনি। ট্রেনিং অসি অয়ুক পুং ৬ তগী ৮ ফাওবা অদুগা নুংথিল পুং ৩ দগী ৫ ফাওবা পাঙথোক্কনি। অকুপ্পা মরোল মোবাইল নম্বর ৯৮৬২৫০৮১৪১ দগী খঙবা য়াগনি হায়রি।

## HUEIYEN LANPAO DAILY CHESS PUZZLE



**PUZZLE NO. 1642**

**Aryan Tari (2631) - V. Pranav (2596)**
**FIDE World Cup 2025 Goa IND, 2025.11.04**

| | | | | |
|---|---|---|---|---|
| 1.Nf3 Nf6 | 2.g3 d5 | 3.Bg2 e6 | 4.O-O Be7 | 5.c4 O-O |
| 6.d3 Nc6 | 7.cxd5 exd5 | 8.b3 a5 | 9.Bb2 Re8 | 10.Nc3 Bg4 |
| 11.h3 Bxf3 | 12.Bxf3 Ne5 | 13.Bg2 d4 | 14.Nb5 Bc5 | 15.Rc1 Bb6 |
| 16.Na3 c6 | 17.Nc4 Bc7 | 18.Qd2 Qd7 | 19.b4 a4 | 20.Nxe5 Bxe5 |
| 21.Rc4 a3 | 22.Ba1 Nd5 | 23.Rfc1 Nc7 | 24.h4 Rad8 | 25.Qe1 f5 |
| 26.Bf3 Qe7 | 27.h5 Qd6 | 28.Kg2 Re7 | 29.Qd1 Qe6 | 30.Qd2 Qd6 |
| 31.Qd1 Kh8 | 32.Qb3 Nb5 | 33.Rc5 Qf6 | 34.Rxb5 cxb5 | 35.Qxa3 g5 |
| 36.hxg6 Qxg6 | 37.Rh1 Rg7 | 38.Qc1 Qe6 | 39.Qc5 f4 | 40.g4... |

**QUESTION : Black to win**

**Puzzle 1641 Solution :**

**34. Qb4+** *The white queen skewers Black's king and rook.* **c5 35. Qb6+ Ke5 36. Qc7+ Kd4**

*36...Kxe4 37.Qe7+ Be6 Garbage collection 38.Qxf8 The white queen captures Black's rook, which was defending the square f4. Bxd5 39.Qf4#*

**37. Qg7+** *The white queen forks Black's king and rook.* **Kxe4 38.Qe7+** *Intermediate check The white queen attacks Black's rook, which is defending the square f4.* **38...Be6 39. Qxf8** *The white queen captures Black's rook, which was defending the square f4.* **Bxd5 40. Qf4#**
**1-0**

**VEHICLES LOAN / PENSION LOAN / EMPLOYMENT NEWS**

- # 2/3/4 Wheeler Loan and Used Car ফংবীগনি।
- # State/ Central Pensioner শিংগী ওইনা 1.5%, 2%, 2.5% p/m গী Interest তা পীজরি।
- # Employment News : Office Asst. (Graduate + upto 32 yrs), 2 Wheeler Mechanic, Mechanic Helper, Car Wash Helper, Chicken Centre Helper 2/2, Tyre Fitting Helper অমসুং চেক্কী Mistry, Jugali পামজে।
- # 2 Wheeler used vehicles exchangeসু ফংবীগনি।

*Please Contact :* **L.G. Motors**
Khagempalli Huidrom Leikai,
Mobile No. : # 9362775475 / #8414081916

HL-B/9834/9 Alt

Printed, published and owned by Soubam Niladhaja Singh, published from Sega Road, Thouda Bhabok Leikai, Imphal West-795001, Manipur & printed at M/s. Kangleipak Printers, Sega Road, Thouda Bhabok Leikai, Imphal West-795001, Manipur
Editor : Maibam Dhanabir Meetei; e-mail:hueiyen_lanpao@yahoo.co.in, hueiyen_lanpao@rediffmail.com